# ‘সনাতোন মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): সনাতোন মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রিমসকী মিদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-রিমস ওথোরিটি, মহৈরোয় অমদি ফেকল্টি পুম্নমক ইমুং অমগুম্না লৈমিন্নরকপনি। সনাতোন লৈখিদবা হায়বসি রিমসকী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। মার্চ ১৫দা সনাতোন লৈখিদবগী পাউ হেক ফংবগা থংনবা নুমিত্তা ইন্সটিট্যুট অসিগী ফেকল্টি ষ্টাফ অমদি মহৈ-রোয়শিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না ৱারেপ লৌখি।

মার্চ ১৬তা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমদি মরী-মতানা রিমসকী দিরেক্টরগা উনদুনা ৱারী শানখি। এম বি বি এস তম্লিবা মহৈরোয় অমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা হোৎনবদা দিরেক্টরনা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

মার্চ ২৭তা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টনা জোইন্ট এক্সন কম্মিটিগী মেম্বরশিংগা উনদুনা হীরম অসিদা মপূং ফানা মতেং পাংগনি হায়না অমুক্তা হন্না থাজবা পীখি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্লসু মেজিষ্টেরিএল ইনক্বারি চত্থগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পুলিসকী ইনভেষ্টিগেসন মেজিষ্টেরিএল ইনক্বারিদা মপূং ফানা মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরগনি। হীরম অসিদা লৈখিদ্রবা সনাতোনবু নুংশিবীবা মীওই পুম্নমক্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শা-ষণ হীদাক কাপথোকখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ভেটরিনরি হোস্পিটালগা খূৎশম্নরগা কংলৈচা ক্লব, শামুপুনবী অমদি লৈশেম ক্লব, খুনিংথেক লৈকায়, জিরিবামনা অয়ূক্কী পূং ১০দগী হৌনা ষণ, ওক, হামেংশিংদা হীদাক কাপথোকখ্রে। মসিদা হীদাক ১০০ হেন্না কাপথোকখি।

হীদাক কাপথোকপগা মরী লৈননা লৈশেম ক্লবকী প্রসিদেন্ট শ্যামকুমার মুতুমনা হায়খিবদা, ঙসি ভেটরিনরি হোস্পিটালগা খূৎশম্নদুনা শা-ষণশিং লায়না তিলনাদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা খুলশিং অসিদা হীদাক কাপথোকপনি। মসিদা পূন্না শা-ষণ ১০০ হেনবদা হীদাকশিং অসি কাপথোকখি। মসিগীদমক ভেটরিনরি হোস্পিটাল জিরিবামগী জোইন্ট দিরেক্টর এম মুহিন্দ্রোবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# মণিপুরদসু এপ্রিল ১০দা লোক আদলট পাঙথোক্লগনি : গোলমৈ

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা)না ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক আদলট ষ্টেট অসিদসু মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)না শিন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী এপ্রিল ১০দা পাঙথোক্লগনি হায়না লমফেলগী কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা এ দি আর বিল্ডিংগী কনফরেন্স হোলদা পাউমিশিংগা উনবা পাউগী মীফম অমদা মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি গাইফুশিলু গোলমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা কেস কয়া সেটল তৌনবা হোৎনবিয়ু। তৌবতবু লোক অদালট অসিদা সিভিল কেসশিংগী ওইবা নিংঙাই-শংদাইনবা, বেঙ্ককী কেসনচিংবা কয়া নাকল অনীমক্কী মীওইশিংনা শরুক য়াবিদুনা মতম চঙহন্দনা অমদি শেল চঙদনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবিয়ু। মসিনা কোর্টতা চঙদৌরিবা শাংলবা মতম অমদি শেল কয়াদগী কনবা ঙমগনি। মরম অদুনা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সকী এ দি আর বিল্ডিংদা লাক্নুনা তানবিয়ু। লোয়ননা লোক অদালট অসিদা শরুক য়াবিদুনা পীরিবা খুদোংচাবশিং প্রোভাইদিং ফ্রি এন্দ কম্পিটেন্ট লিগেল এদ কাউন্সেল, ফ্রি লিগেল এদভাইস, ফ্রি কাউন্সিলিং অমদি প্রিপরেসন ওফ লিগেল দোকুমেন্টসনচিংবা পীগনি।

লোয়ননা মহাক্না হায়, এপ্রিল ১০দগী পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসি শুপ্নগী ইম্ফাল খক্তদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৮দসু পাঙথোক্কনি। মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক লোক অদালটকী মতাংদা খঙবিনিংবা ৱাফমশিং মসলসা ৯৪৩৬২৩৯৬৬৬; ইম্ফাল ইষ্ট দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৭৪; ইম্ফাল ৱেষ্ট দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৬৭; থৌবাল দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৬৫; বিষ্ণুপুর দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৬৮; চুরাচান্দপুর দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৭০; উখ্রুল দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৭২; সেনাপতি দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৬৯ অমদি চান্দেল দি এল এস এ ৬০০৯৯০৪৯৬৬ হায়রিবা হেল্পলাইন নম্বরশিং অসিদা ফোন তৌবিদুনা অকুপ্পা মরোলশিং খঙবিবসু য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি। পাউগী মীফম অদুদা মসলসাগী দিপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দা সোরোখাইবমসু শরুক য়াখি।

# মীওই ক্রোর তরেৎ হেন্না টিকা থাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ৭ হেন্না কোভিদ-১৯গী টিকা থাখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। নোংমখক্তদা মীওই ৮১,৪৬৬ লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অসিগী পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা অপূনবা কেস মশীং ১,২৩,০৩,১৩১ শুরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

নুমিদাংগী পূং ৮ ফাওবদা মীওই ৭,০৬,১৮,০২৬ টিকা থাখিবগা লোয়ননা লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি। মীওই ৯২,৬১,৬৮১দা অনীশুবা দোজগী টিকা থাখিবগা লোয়ননা হেল্থ ৱর্কর ৮৯,০৩,৮০৯ অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৯৫,১৫,৪১০দা অহানবা দোজগী টিকা থাখি। অনীশুবা দোজগী টিকা থাখিবা মীওই ৯২,৬১,৬৮১ শুখিবগা লোয়ননা হেল্থক্যের ৱর্কর ৮৯,০৩,৮০৯ অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৯৫,১৫,৪১০দা অহানবা দোজগী টিকা থাখি।

অনীশুবা দোজগী টিকা থাখিবা হেল্থক্যের ৫২,৮৬,১৩২ অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৩৯,৭৫,৫৪৯নি। মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা মীওই ৪,২৯,৩৭,১২৬তা অহানবা দোজগী টিকা থাখ্রে।

এপ্রিল ২ ফাওবদা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা মীওই ১১,৮৩,৯১৭তা অহানবা দোজগী টিকা থাখি। এপ্রিল ১দনা মীওই লাক্ষ ৩৬.৭তা টিকা থাদুনা নোংমখক্তদা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা টিকা থাবা নুমিৎ ওইখি। জন্যুৱারী ১৬তগী লৈবাক শীনবা থুংনা টিকা থাবগী থৌরাং লৌখৎতুনা লৌনগনবা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

হেল্থক্যের ৱর্কর অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং টিকা থাবগী থবক ফ্রেবুৱারী ২দগী হৌখি। অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মীওইশিং অমসুং অতোপ্পা লায়নাগা লোয়নদুনা হিংলিবা মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা মীওইশিং মার্চ ১দগী টিকা থাবা হৌখি।

মশাগী চহী ৪৫ হেল্লবা মীওই পুম্নমক এপ্রিল ১দগী পাক-শন্না টিকা থাবগী থবক হৌখিবনি।

# ‘কাংমোং তুরেল কন্নবা হোৎনবীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): কাংমোং তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা চীংশাং পরেংদা হন্দক মরক কা-হেন্না উ য়াম্থুৎখিবনা তুরেলগী ফিভম শোকচিল্লক্লে হায়না কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া কোন্থৌজম লোকেল কাওন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী কয়াদগী লৈবাক মীয়াম্না হিংবদা তঙায় ফদনা মথৌ তারিবা অমদি থক্ল-চানরিবা লৌউ-শিংউদা শীজিন্নরিবা ঈশিংগী হৌরকফম ওইরিবা চীংশাংশিংদা লেপ্পা লৈতনা উ য়াম্থুৎনরকপদগী লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অখন্নবা থৌরাং-থৌশীল পায়খৎপীদুনা অথুবা মতমদা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

শজিরোক তুরেল অমসুং কাংমোং লৈমখোং তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা লোক্তা শেঞ্জাও পায়বশিংনা অচৌ-অচৌবা নুঙজাও থুগায়বা অমদি তুরেলদগী নুঙ-লৈঙোইনচিংবা পেকথোকপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চত্থরকপনা তুরেল অসিদা লৈনাং ঙাক্তা চেন্থরক্লে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা তুরেলগী ফিভম কলহৌনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। ইনভাইরনমেন্ট কন্নবগী মতাংদা থাদনখিবা শেনফমশিং কদায়দা শীজিন্নখ্রবগে হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে।

নাকল অমরোমদা, মীওই খরনা চীংমায়দা পাক্তক্লনা উ য়াম্থুৎতুনা খুল কয়া তাশিল্লকপদগী ঈশিং-নুংশিত্তা অকায়বা কয়া থোকহল্লক্লে। চীংদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী পুন্সি হিংজনবা লৈঙাক্লা অতোপ্পা পাম্বৈ অমা পুথোক্তুনা ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ফিসরিজগী ট্রেনিং

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): চহী অমগী ওইবা ফিসরিজ দিভলপমেন্ট এন্দ মেনেজমেন্টকী ট্রেনিং য়াওনিংবশিংনা এপ্রিল ৫দগী ১৫ ফাওবা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ফিসরিজদগী লুপা ১০০ পীরগা ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়না দিরেক্টোরেট অসিনা খঙহল্লক্লি। বাইওলোজিবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্লকপা কেন্দিদেটশিংনা ট্রেনিং অসিদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি। কেন্দিদেটশিংনা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপদা টেন প্লস ইগজাম পাস তৌবগী সর্টিফিকেট, মার্কসীট, এজ প্রুফ সর্টিফিকেট অমসুং ট্রাইব/কাষ্ট/ও বি সী সর্টিফিকেটনচিংবা য়াওহল্লক্কদবনি। গেজিটেদ ওফিসর অমনা এটেচ তৌবা চে-চাং পূম্নমক এপ্রিল ১৫ ফাওবদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

# কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাথা খুন্নৌদা ঙসি অসাম রাইফলস অমসুং টেরিটোরিএল আর্মিগী অপূনবা টিম অমনা পি এল এগী কাদর অমা ফারে।

আই জি এ আর (সাওথ)কী চেরোল অমনা হায়, ফারবা পি এল এগী কাদর অদু লুপ অসিগী এস এস লেফটনেন্ট লাইফ্রাকপম সনাতোম্বা কৌই, কুমজা ২০০৭তগী লুপ অসিদা য়াওদুনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবা মীওই অদু ম্যান্মারগী নোংকেট কেম্পতা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌরুরে হায়রি।

মখা তাবা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎনবগীদমক ফারবা মীওই অদু শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# অচুম্বা পুথোকপীয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ৩১দা খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দগী ঐচ মোবিনা শামুরৌ অৱাং লৈকায়দা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওগনি হায়দুনা চৎখ্রগা শামুরৌ নাওরেম লমখায়দা শিনা লৈরমখিবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু হায়না নোংচুপ ইম্ফাল পল্লেম ইমা অপূনবা লুপ (নিমপাল)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# স্পেশল কেম্প লোইশিনখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): থৌবাল কোলেজ, থৌবালগী এন এস এস য়ুনিট ১, ২ অমদি ৩গী হৌখিবা মার্চ তাং ২০দগী নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা চত্থরকপা সভেন দেজ স্পেসল কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল, ও চাওবা, আই ক্যু এ সীগী কো-ওর্দিনেট দা. কেঐচ জুগিন্দ্রো অমদি কোলেজ অসিগী দীন ওফ দ ষ্টুদেন্টস দা. এল একেন্দ্রজিৎনা মথংশীৎনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি লোইশিনবা নুমিত্তা কোলেজ অসিগী এসোসিএট প্রোফেসর দা. এল দেবেন্দ্রনা রিছোর্স পর্সন ওইনা এন এস এসতা য়াওরিবা ‘সর্ভিস’ হায়বা হীরমদা শুগায়না ৱাফম কয়া থমখি।

# অকংবা উপালনা বেষ্ট প্লেগী মনা ফংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): উচিৱাদা লৈবা কংলৈ লিভিং আর্টসনা শীন্দুনা মার্চ ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭শুবা ফেষ্টিভেল ওফ ফোল্ক নেরেটিভ আর্ট এন্দ কংলা থিএটর মরাথোনদা য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়ন খাগেম্পল্লিগী ‘অকংবা উপাল’ না বেষ্ট প্লেগী মনা ফংখ্রে। লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ‘মোংফমগী নুঙবিশিং’ না অনীশুবা অমসুং সলাই শক্তম লাংবা হাওবম মরক্কী ‘পোকখায়দৌরবা বোম’না অহুমশুবা মনা ফংখি।

লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী এস রতনকুমারনা বেষ্ট দিরেক্টর, য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী লৈতাম্থেম শ্যামকিশ্বরনা সেকেন্দ বেষ্ট দিরেক্টর অমসুং সলাই শক্তম লাংবগী কোঞ্জেংবম শ্যামকিশ্বরনা থর্দ বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা ফংখি।

জুবেনাইল থিএটরগী রনবীর মঙাংনা বেষ্ট স্কৃপ্ট, লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী নিল্লধজ খুমননা সেকেন্দ বেষ্ট স্কৃপ্ট অমসুং সলাই শক্তম লাংবগী বিমোলচন্দ্র মঙাংচানা থর্দ স্কৃপ্টকী মনা ফংখ্রে।

লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ৱাই পোলোইনা বেষ্ট এক্টর, য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী থোংজু নবনা সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর অমসুং সলাই শক্তম লাংবগী চীংখৈঙানবনা থর্দ বেষ্ট এক্টরগী মনা ফংখি।

য়ূমজাও দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী এল শ্যামকিশ্বরনা বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর, সলাই শক্তম লাংবগী বোরেন মুতুমনা সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর অমসুং লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ৱাই রাজেসনা থর্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টরগী মনা ফংখি।

লাংমৈদোং দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী পি সন্তোসিনিনা বেষ্ট এক্ট্রেস, য়ূমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী জসমিন এলাংবমনা সেকেন্দে বেষ্ট এক্ট্রেস অমসুং সলাই শক্তম লাংবগী ইরেংবম সুন্দরিনা থর্দ বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখি।

# ইমুং কয়াদা কান্নবা ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যু-এন্সিগী এম এল এ শরতচন্দ্রনা তেরাখোংশাংবী, থানা লৈকায় মাইরেম্বম মখা কোলেজ গেট, থম্নাপোকপী অমসুং ফাইরেম্বম লৈকায়দা ইলেক্ট্রিক্কী মৈ থান্দুনা নুমিদাং অথেংবদা মীয়াম্না চত্থোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচানবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না এম এল এ ওফিসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থম্না পোকপীদা জিমগী পোৎলম কয়া মতেং পাংখিবগা লোয়ননা লায়রবা ইমা-ইবেল ৬০০তা পেন্সন ফংহল্লে। ইমুং ২৫০দা সী জি আই সিট য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ফিশাবি ১০০দা ফিশাকোল পীদুনা মতেং পাংখি। রেসন কার্দ ফংলমদবা ইমুং ১,৫০০দসু ফংহনখ্রে হায়রি।

# নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): মীতৈ খুন্নাইবু নৌহৌনা মীকপ থোকহন্দুনা মীতৈ হিঙ্গৎ ঈহৌগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীতৈ মরুপ লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা লুচিংবা অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা তখেল্লম্বম বোকুলগী ১১৪ শুবা মপোক নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈপাকনা শীন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীতৈ মরুপকী প্রসিদেন্ট ৱাই চীংখৈঙানবা লুৱাং, মীতৈ মরুপকী এদভাইজর খুরাইজম রাজেন্দ্রো অমদি নোংথোম্বম মঙ্গিনা ময়ায় তাংবল লৌখি।

# কুম্বীদা নোংমগী ওইবা ফার্মরস ট্রেনিং কম এৱ্যেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ান কাওন্সিল ওফ এগ্রিকলচরেল রিছর্চ (আই সী এ আর) মণিপুর সেন্টর, আই সী এ আর কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস বিষ্ণুপুরগা পূন্না খূৎশম্নরগা ঙসি নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী লাক্কদবা খরিফ ক্রোপশিংদা থাগদবা মরূ-মরাংশিং অফবা ক্বালিটি লৈবা মরূশিং চারাশিং মতৌ করম্না পুথোক্কনি অমদি ক্বালিটি লৈবা মরূশিং শীন্নগনি অমদি মতৌ করম্না অফবা চারাশিং থাদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা এৱ্যেয়রনেসকা লোয়ননা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা কুম্বীদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরমদুদা আই সী এ আর জেনরেল বোদি আই সী এ আর সোসাইটিগী মেম্বর কেঐচ নবকুমার, কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্ট সিনিয়র সাইন্টিষ্টকী হেদ ঈ আর কেঐচ হিরা সিংহ; দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর বিষ্ণুপুর য়ু সোমেন্দ্রো; আই সী এ আর রিছর্চ কমপ্লেক্স ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টর, লম্ফেলপাৎকী জোইন্ট দিরেক্টর দা. আই মেঘচন্দ্র সিংহনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কেঐচ নবকুমারনা হায়খিবদা, লৌমীনা খ্বায়দগী দরকার ওইবসি অফবা চারশিং থাহন্দুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোকপা অসিনি। হৌজিক কালেন থাগী মহৈ-মরোংশিং থাবগী মতম ওইরে। মসিগা মরী লৈননা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি শীনবনি। প্রোগ্রাম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা থাগদবা মহৈ-মরোংগী মখল, অফবা চারা অমদি থাবগী মওং লোইনা নৈনগনি। লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা মুন্না তাবীদুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# চহী তরক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ঈরাক্লদুনা শিরে

থৌবাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফৌদেন লিতান লৈরক্তগী চহী তরুক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ঙসি থৌবাল তুরেলদা তাখিবদগী ঈরাক্লদুনা শিরে হায়রি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদু এমদি কাসিম এলাইজ বোইগী মচানুপা অনীগী মনুংদা অতোম্বনি হায়রি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পূং ৩লোম তাবদা অঙাং অদুগী মমা না ফি শুরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা অঙাং লৈরমদবদগী লাউরকপদগী লৈকায় মীয়াম চঙদুনা থিবা হুম্বা হৌখি। তুংদা য়াইরিপোক পুলিস অমদি ফায়র সর্ভিসকী মীওইশিং য়াওনা থিবদা পূং ৪.৫৪ রোম তাবদা অঙাং অদু থৱায় য়াওদবা হকচাং ওইনা ফংখি হায়রি।

# নম্বর লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৩ (ঐচএনএস): সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর য়াখিদবা মরম্না মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অনৌবা অতোপ্পা নম্বর অমা লোঞ্চ তৌরে। মমাঙদা টোল ফ্রী ওইনা শীজিন্নরম্বা ১৮১ য়াখিদবা মরম্না হায়রিবা নম্বর ৭০০৫৭৭৬১৪৪ অসিদা ওইনা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।


## MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC Exam 2000 bearing Roll no. 16079 issued by BOSEM on the way between Kakching Keithel to Kakching Chumnang Leikai on 12th March, 2021. Finders are requested to kindly handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yendrembam Premchandra Singh**
S/o. Y. Amuba Singh, Kakching Khunyai Leikai
# 7005975454
HL-P/6898/4

## HELPER অমা পামজৈ

য়ূমদা লৈরগা থবক শুবা য়াবা Helper নুপী অমা পামজৈ। মশাগী চহী ২৫-৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা হেন্না পামজৈ। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

Salary - Negotiable.

**Sd/- Retina (Thoi) Konsam**
Khurai Tinsid Road
# 7005607119
HL-P/9427/3&4



## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 03/04/2021**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the **Imphal East Yogasna Sports Association** on 03/04/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of MSR Act, 1989 (Add).

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing to K. Subol, Secy. of Assn. (Applicant name) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaint/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn//NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **N. IMOMCHA SINGH**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District
HL-P/9148/4



## OFFICE OF THE IMPHAL URBAN DEVELOPMENT FINANCE (IUDF)
**Kakwa Bazar, Syria School Building**

Service Loan অমসুং Pension Loan Form থাজরি। Monthly interest 1.8%, 2% অমসুং 2.5% নি। অকুপ্পা মরোল office hour মতমদা লাক্লগা তান্নবীয়ু।

Office Hour :- 11:30 a.m. to 3:00 p.m.

**Sd/- Manager (IUDF)**
HL-P/9425/4,5



## M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate (Rs) | No. Of Bricks | Amount (Rs.) | Transp. & Labour Charge (Concessional Rate) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 16.00 | 2,000 | 32,000 | 3,000 | 35,000 |
| | | 1,500 | 24,000 | 2,250 | 26,250 |
| | | 1,000 | 16,000 | 2,000 | 18,000 |
| 2nd Class | 15.00 | 2,000 | 30,000 | 3,000 | 33,000 |
| | | 1,500 | 22,500 | 2,250 | 24,750 |
| | | 1,000 | 15,000 | 2,000 | 17,000 |
| 1st Reject | 14.50 | 3,000 | 43,500 | 4,500 | 48,000 |
| | | 2,000 | 29,000 | 3,000 | 32,000 |
| | | 1,500 | 21,750 | 2,250 | 24,000 |
| | | 1,000 | 14,500 | 2,000 | 16,500 |
| Jhamat | 14.00 | 2,000 | 28,000 | 3,000 | 31,000 |
| | | 1,500 | 21,000 | 2,250 | 23,250 |
| | | 1,000 | 14,000 | 2,000 | 16,000 |
| P.T. | 13.50 | 2,000 | 27,000 | 3,000 | 30,000 |
| | | 1,500 | 20,250 | 2,250 | 22,500 |
| | | 1,000 | 13,500 | 2,000 | 15,500 |
| 2nd Reject | 12.00 | 2,000 | 24,000 | 3,000 | 27,000 |
| | | 1,500 | 18,000 | 2,250 | 20,250 |
| | | 1,000 | 12,000 | 2,000 | 14,000 |
| 3rd Class | 10.00 | 2,000 | 20,000 | 2,000 | 22,000 |
| | | 1,500 | 15,000 | 1,500 | 16,500 |
| | | 1,000 | 10,000 | 1,500 | 11,500 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 6,500 | 2,000 | 8,500 |

Contact Hour:
Mon to Sat : 6.00 am to 6.00 pm

Please Contact :
1. 7005134130
2. 7005513073

HL-P/9348/20/3-6/4



## ADMISSION OPEN
## PILLARS PUBLIC SCHOOL
Sagolband Tera Tongbram Leikai, Imphal
MOTTO : EDUCATION FOR ALL

A co-educational school from Pre-Nursery to Class VIII with boarding facilities

ACADEMIC SESSION STARTING FROM 5TH APRIL, 2021

Silent features are :
1. Well equipt library
2. Neat and clean computer Classes
3. Swimming class
4. Exposure to State and National level competition
5. Scholarship facilities
6. Special Award for sports and merits separately.
7. Good academic environment
8. CCTV Campus
9. Extra curricular activities with moral & physical development

Date of Admission starting from 20th March, 2021

# 8974776013
HL-P/7095/1-30/4



## EDUCITY TUTORIAL
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI, IMPHAL
(Most Trusted Tutorial Centre in Manipur)
(BOSEM & CBSE - I to X)

## ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSES (CLASS-6 to 10)

CLASS STARTED FROM 8TH APRIL 2021

- Appropiate SOP (as per pandemic)
- Regular Weekly Test
- Special Performa Report
- Scholarship Facilities for the Students Above 85%
- CCTV Campus
- Run by Experienced Faculties
- Special Councelling Classes for Weaker Students
- Boarding for Girl Students Only (high security)

Class timing 4:30 to 7:30 am & pm

Office Timing : 10:30 to 4:30 pm

FOR DETAILS PLIZ CONTACT # 9612194500
HL-P/7095/1-30/4